# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-06-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-০৬-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-গো টু হিলসকী থৌশিল অসি খ্বাইদগী মহৈ য়ানখিবা থৌশিলশিংগী মনুংদা অমনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা য়াদবা মীওইশিং অমসুং খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি -সাইপ্রসতা থুংখ্রে, ঙসিনা কানাডাদা চৎকনি, জি-সেভেনগী মীফমদা শরুক য়াগনি।

**------**

**বিরেন(এল) ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-গো টু হিলসকী থৌশিল অসি খ্বাইদগী মহৈ য়ানখিবা থৌশিলশিংগী মনুংদা অমনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-থৌশিল অসিগী মখাদা উখ্রুল, চান্দেল, সেনাপতি, তামেংলোং, কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুরদা মতমগা চুনরবা ফুটবোল গ্রাউনশিং শেমগৎপা ঙমখি। মসিনা

মফমশিংদা অদুদা লৈরিবা ফুটবোল মশান্নবু পামজবা, হৈথোই শিংথোইরবা নহারোল কয়াদা অফাউবা ফুটবোল শান্নরোই অমমম ওইরকবগী লম্বীদা চাউনা মতেং পাংবা ঙম্লে। গো টু হিলস থৌশিলনা শোথনা লৈরম্লবা মনুং হঞ্জিনবা চীংগী লমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী মঙাল ফংহন্দুনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন ফাউহনবদসু চাউনা মতেং পাংখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদিগী লমজিং মখাদা অসিগুম্বা থৌশিল অমা মাই পাকা হৌদোকপা ঙমখিবদা শ্রী বিরেননা অপেনবসু ফোঙদোকখি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা য়াদবা মীওইশিং অমসুং খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎপা লেপত্রি। রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা কামজোং জিলাগী কাশোম খুলেন পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৭ রিভর এরিয়াদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনি অমসুং কে.সি.পিগী মীওই অমা ফারে। মখোয়দগী সেভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী পিষ্টোল অমা, পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অমা, দিতোনেতর ২৫ অমসুং মোবাইল ফোন অনি ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, পাউবীতেক ময়াই লৈকাইদগী মীওই অমা মাংখিবগী কেসকা মরি লৈননা রাজ্য পুলিসনা ঙরাং ৱাঙ্গোইগী থিয়াম লৈশাংখোঙদগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীওই অহুম ফাগৎলে। মখোয়বু মেজিস্ত্রেটকী মমাংদা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ ৭ নিগী পুলিস কস্তদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে। কেস অসিদা চেন্নরিবা অতোপ্পা মীওইশিংসু ফাননবা মখা তানা থিবগী থবক চথুরি হায়রি।

থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা শিখোঙদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী মীওই অনি ফাগৎলে। কে.সি.পি(এম.সি)প্রোগ্রেসিভকী মীওই অমসু ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শওম্বুং থোংগী নোংপোক শরুক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। থা অসিগী ৯ দা নম্বোল বজারদা বন্দ শৌগত্তুনা খোঙজং চংশিনবদা

পুলিসকী মীওইশিংদা অশোক অপন থোকহনবদা চেন্নবা অরান্বাই তেঙ্গোলগী মীওই অমসু রাজ্য পুলিসনা ফারে। কেস অসিগা মরি লৈননা নম্বোল মখাদা লৈবা অরান্বাই তেঙ্গোলগী অতোপ্পা মীওই অমসু ফারে হায়রি। রাজ্য পুলিসনা গারিদা তিন্তেট ফিল্ম নপশিনবশিং লৌথোকপগী খোঙজং মখা তানা চথরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুন্না গারি ১৪দগী তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখ্রে হায়রি।

**ৱেদর(এল) ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা মণিপুরগী জিলা ১২ দা নুংশিৎ অমদি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়না য়েল্লো এলর্ট লাউথোকখ্রে। সেন্তর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-তামেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা ঙসি পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়নননা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। হয়েংসু রাজ্য অসিগী জিলা ১৩ দা মসিগা মান্নবা মওংদা নোং চুরবা য়াই হায়রি। থা অসিগী ১৮ অমসুং ১৯ দদি রাজ্য অসিগী জিলা ১৬ মক্তা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক অহুম- সাইপ্রস, কানাডা অমসুং ক্রোয়েসিয়া খোঙচৎকী অহানবা ওইনা ঙরাং সাইপ্রসতা থুংখ্রে। চহী ২০গী মতুংদা লৈবাক অদুদা লাক্লিবা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু লরনাকা ইন্তরনেসনেল এয়রপোর্টতা সাইপ্রসকী রাস্ত্রপতি নিকোস খৃষ্টো দৌলিদসনা হরাউ তয়ামা ওকখি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা লেমেসোসতা লাক্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা মহাকপু তরামা ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখি। মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং সাইপ্রসকী রাস্ত্রপতি খৃষ্টো দৌলিদসনা লুচিংদুনা লৈবাক অনিগী ললোন ইতিক্কী মীহুৎ কাংবুশিং য়াওনা মীফম

পাঙথোকখি। মীফম অদুদা- শিক্ষা, দিজিতেল পার্টনরসিভ অমসুং রিজনেল সেক্যুরিতি য়াওনা অতৈ লম কয়াদা খন্ন-নৈনখি। ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমদি ইন্দিয়া-মিদল ইষ্ট-য়ুরোপ ইকোনোমিক কোরিদোরগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি।

শ্রী মোদিনা মহাক্কী খোঙচৎকী অনিশুবা শরুক ওইনা ঙসি কানাডাগী কানানাস্কিসতা চৎকনি অমসুং মফম অদুদা পাঙথোকপা জি-সেভেন গী মীফমদা শরুক য়াগনি। শ্রী মোদিনা মীফম য়াওবা লাকপা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগসু তোঙাননা উনদুনা ৱারি শান্নরক্কনি হায়রি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা হায়রি-মথং চহী ২০২৬ কী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু নেক্সলাইটকী ইরাং লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনগনি। উট্টর প্রদেশকী লখনৌদা ঙরাং উট্টর প্রদেশ পুলিসকী নৌনা থবক চংলকপা কন্সতেবল লিশিং ৬০,২৪৪ দা থবক চংবগী চে য়েন্থোকপগী থৌরমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-নক্সলাইটকী ইরাং অসি হান্ননা রাজ্য ১১ দা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তী শুপগী জিলা ৩ খক্ত ঙাইরে। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিগী পুলিস ফোর্সপু মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপগী থবক চথুরি। হান্নগী পুলিস ফোর্সকী মীওইশিং খনবদা কাষ্ট খাইদোক্তুনা চথুরম্মী অদুবু হৌজিক্তী তেকোলোজিগী মতেংনা ত্রান্সপেরেন্সি লৈনা কেন্দিদেট পুমমক খেৎনবা লৈতনা থবক চংবগী ইন্তরভিয়ুশিং পাঙথোকপা ঙম্লে। শ্রী শাহনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--শাহ**

**হেলিকোপ্তরঃ** উট্টরাখন্দগী কেদরনাথ ময়াদা ঙরাং অয়ুক হেলিকোপ্তর কাইদুনা মীওই ৭ লৈখিদ্রবা মতুংদা কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়না মফম অদুদা হেলিকোপ্তর সর্ভিস তৌবা মতমদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা

তঙাইফদবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাকা চৎহন্নবা দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসনদা খঙহনখ্রে। পেসেঞ্জরশিংবু অশোয় অঙাম থোহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিংদা কোমথোকপা তৌদনবা অমসুং খুদোংথিনিঙাই ওইবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমদা হেক্তমক সর্ভিস তৌবা থিংননবসু মন্ত্রালয়না অকনবা ৱাফমশিং খঙহনখ্রে। মখা তানা অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক মফম অদুদা নুমিৎ নিনি হেলিকোপ্তর সর্ভিস তৌবা থিংজিনখ্রে।

মরক অসিদা, উট্টরাখন্দ সিভিল এভিয়েসন দেভলপমেন্ট ওথোরিতিনা হেলিকোপ্তর ওপরেতরশিং অমসুং পাইলোটশিংবু ফ্লাইট সর্ভিস হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা নিংথিনা য়েংশিন্নবসু পাউতাক পীখ্রে। মদুদা, হেলিকোপ্তর পাইথোক পাইশিন তৌবগী থবক য়েংশিন্নবা কম্মান্দ এন্দ কন্ত্রোল রুম অমসু লিংখৎলগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈতানপোকপীদা লৌ খোইবা চংলুবদা থিংলকপদগী উংখৎনখ্রে, কোন্নথংদা কন্না ঙাকশেল্লগা খোইখ্রে, মণিপুরদা কোবিদনা নাবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা অমদি সু এক্সতেন্সনগা মরি লৈননা ঙসি অনিরক শুবা ওইনা নিউ দেল্লিদা ৱারি শান্নরবা য়াই- হায়বা পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

লৈতানপোকপীদা লৌ খোইবা চংলুবদা থিংলকপদগী ডংখৎনখ্রে, কোন্নথংদা কন্না ঙাকশেল্লগা খোইখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, সনালৈবাক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল, তামেংলোং তাইমস অমদি গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

নৌনা কোবিদ কেস ৫ হেনগত্তুনা ১৩ শুরে- হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সনালৈবাক, পোকফম অমদি নহারোল থৌদাং পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সু এক্সতেন্সনগা মরি লৈননা ঙসি অনিরক শুবা ওইনা নিউ দেল্লিদা ৱারি শারবা য়াই- হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সু হন্দোকবা মোদি অমদি অমিত শাহদা লমজাথাংনা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে- হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

পোকফমদা- দি.এন.এ তেষ্টতা মী ৪৭ মশক খংখ্রে, হকচাং ২৪ গী ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। এয়র ইন্দিয়াগী অরোইবা ফ্লাইট নুংথিল পুং ৩.৫০ দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী পাইখ্রে- হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি সনালৈবাক্তসু অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকলদনা এয়র ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা এয়র ইন্দিয়া এক্সপ্রেসনা ইম্ফালদা মথৌ তৌরগনি হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি। ফাউ অসি গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- প্রাইম মিনিষ্টরনা মনিপুরদা চৎপগী মতমদি লৈতে হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম অনিশুবা দেহলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা অহানবা লমাইদা ফোঙনরি।

হুইয়েন লানপাউদা ঙাম্হোই অমসুং লামনুনথেমগী হকচাং খঙদোকপা ঙমখিদ্রে, লমনুনথেমগী হকচাং দিমাপুর ফাওবা ফ্লাইটতা পুরক্লবা এম্বুলেন্সনা

নাগালেন্দ ফাওরগা কাংপোকপীদা পুরক্কদৌরি- হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- ৱার্ল্ড ব্লড দোনর ডেগা মরি লৈননা মীয়ামা ঈ দান তৌনবা তামেংলোংগী সি.এম.ওনা আপিল তৌরি- হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**